# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ খুনজেম লম্বীদা চাউনা ক্রেক চৎলকপদগী মী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ত্রক ওন্নরস এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে। অমসুং

৩) মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাং ইন্দোনেসিয়াগী পেকান বারুদা পাঙথোক্কদবা অহুমসুবা বি.দব্লিউ.এফ ইন্তরনেসনেল বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা শরুক য়ারগনি।

------

লেন্দস্লাইদ (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ খুনজেম লম্বীদা চাউনা ক্রেক চৎলকপদগী মী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা অসিদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমিরোম ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুবদগী থাঙ্গ খুনজেম লম্বীদা মিতর ২০ লোম ক্রেক চৎলে। মরম অসিনা হায়রিবা লম্বী অসি মতম অমা হেক্তদা কিন্থখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। লম্বী অসিগী নাক য়েত্তা তারিবা য়ুমশিং শাফগদবা মফমশিংদা অথুবদা হোংদোকবসু চেরোল অসিনা খঙহল্লি।

নোনে (এল) ঃ   নোনে জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। রাংখুন অমসুং খুমজি ভিলেজ তাইনবা মফমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম খঙহৌদনা চীং নিংখায়রকপদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। মসিনা মরম ওইরগা গাড়ি অমদি মীওই কয়া পন্দুনা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ অমসুং লোংমাই পার্ট ৱান অমদি টুগা শমবা ইন্তর ভিলেজ রোডতা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীং নিংখায়খ্রবা মতুংদা মখা তানা রিটেন্নিং ৱালশিং শেমজিনবগী থবক হৌজিকসু মখা তানা চখরি। লোংমাই পার্ট ফোর পিছলেন্দগী খুঞ্জাশিংনা ঙরাংসু শেমজিনবগী থবক চখখি। শেমজিনবগী থবক অসি ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা চখবনি।

সিএম (এল) ঃ   মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ত্রক ওন্নরস এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱারোলদা হায়- ত্রক ওনর্স এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নদুনা দ্রাইভর অমদি ত্রক্করশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নিংথিনা ফোংদোকপা ঙমবগী পান্বেগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

এসেমব্লি (এল) ঃ   হৌজিক চখরিবা বিধান সভা মীফমগী ঙরাং হুমি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী লুপা কোতি লিশিং ৩,৪৭৬ রোমগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নদুনা পাস তৌখ্রে।

পাস তৌখিবা দিমান্দশিং অদুদি- ষ্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরস, সেক্রেটরিয়েট, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট, টেক্সতাইল- কর্ম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসকীনি। সভাগী লুচিংবা অমদি মুখ্য মন্ত্রি-

নোংথোন্বম বিরেননা দিমান্দশিং অসি পুথোক্কুনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা পাস তৌখিবনি।

থৌবাল (এল) ঃ থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিন্দুনা মালেমগী হেপ্পাতাইতিস নুমিৎ পালন থৌরম ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস, চীফ মেদিকেল ওফিসার, ডাঃ ৱাই. নোকুল সিংহ অমদি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ দব্লিউ. রুহিনিকুমার শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সি. অহন্থেম শুবাসনা হায়- ২০২৩ গী এপ্রিলদগী ২০২৪ গী মে ফাওবদা থৌবাল জিলাদা হেপ্পাতাইতিস বি পোজিতিভ ওইবা মীওই ৮৬ থেংনৈ। মসিগী মনুংদা মীরোনবী নুপী ১৯ য়াওরি। অদুগা হেপ্পাতাইতিস সি পোজিতিভ ওইবনা মীওই ৪৯৯ থেংনখি। হায়রিবশিং অসি টেষ্ট তৌবদগী খঙবা ঙমখিবনি। মরম অদুনা মীয়ামা হেপ্পাতাইতিস টেষ্ট তৌথোকপীদুনা লায়না অসি মুথৎপদা থৌদাং লৌমিন্নশি।

এআর (এল) ঃ আগিবির অমদি সি.এ.পি.এফকী রিক্রুটমেন্টকীদমক অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং উখ্রুল জিলাদা প্রি-রিক্রুটমেন্ট ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু হেদক্বাটর আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। জিলা অসিগী সংসক ভিলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উখ্রুল অমদি কামজোং জিলাগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি। তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং অদুদা জিলা অনি অসিদগী আগিবির অমদি সি.এ.পি.এফ থানিংবা মীওই ৪০ রোমা শরুক য়াখি। মদুগী মনুংদা নহা ১৬ তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অমদি ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সতা চংননবগীদমক রেজিষ্টর তৌখে।

জেনিম (এল)ঃ প্রোফেসার লোংজম উসারানি দেবী জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী দাইরেক্তর ইনচার্জ ওইনা

খল্লে। রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রিগুলর দাইরেক্তর অমা হাপত্রিবা ফাওবা প্রোফেসার উসারানিনা জেনিমসকী দাইরেক্তর ওইরগনি। মহাক জেনিমসকী দাইরেক্তর ওইনা থা অসিগী ৮ দগী থৌ পুবা হৌরগনি।

বেদমিন্টন (এল) ঃ মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা ইন্দোনেসিয়াগী পেকান বারুদা পাঙথোক্কদবা অহুমসুবা বি.দব্লিউ.এফ ইন্তরনেসনেল বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা শরুক য়ারগনি। মহাক বি.দব্লিউ.এফ সুপর সেরিজ হন্দ্রেদ অমদি ৱান তুরনামেন্টতা শরুক য়াখ্রে। মৈরাবা লুৱাং ইন্দোনেসিয়াগীদমক থা অসিগী ৪ দা ভারত থাদোক্লগনি। তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ২৭ তগী সেপ্তেম্বর ১ ফাওবা চথগনি।

ওলিম্পিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসতা ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমনা ঙরাং শান্নখিবা পুল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াবা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। ভারতকী নুপী সুত্তর মানু ভাকর মিতর ২৫ গী রেপিদ ফয়ার পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল চংলে। ঙসি নুংথিল পুং ১ দা ফাইনেল শান্নগনি। বেদমিন্টনদা ভারতকী লক্স্মা সেন সেমি ফাইনেল চংলে।

গেমস অসিদা চাইনানা সনাগী ১৩, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৩১ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। ফ্রান্সনা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ১২ অমদি শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৩৬ ফংদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৬, শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ২২ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি। অদুগা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংদুনা ৪৮ শুবা মফমদা লৈরি।

কনফরেন্স ঃ নুমিৎ নিনি চথগদবা রাজ্যপালশিংগী মীফম ঙরাংদগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা হৌখ্রে। মীফম অসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপনি। রাজ্যপালশিংগী মীফমদা রাস্ত্রপতিনা সভাপতি ওইবা অসি হন্দক্কী

অসিনা অহানবনি। মীফম অসিদা রাজ্যশিংগী রাজ্যপালশিংনা শরুক য়ারি। উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অতৈ কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংসু মীফম অসিদা শরুক য়ারি।

মীফম অসিদা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনহনবা, অৰাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা অওনবা পুরকপা অমসুং য়ুনিভরসিতিশিং এক্রেদিটেসন তৌবা অমদি মপুং ওইনা মীৎয়েং থম্বিবা হীরমশিং শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা রাজ্যপালশিংগী থৌদাং অমসুং রাজ্য রাজ্যদা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী এজেন্সিশিং পুন্না থবক তৌমীন্নবগী ৱাফমসু খন্নরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা লো এন্দ ওর্দর রিভিউ তৌদুনা অফস্পা থম্লক্লবদি ৱারৌবীনু হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- মণিপুর পুলিস কৈদৌরবগে, নুপী অঙাংদা অকন অরিং শিংলিবা করিগীনো হায়বা হান্নগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস ৱাই. জোয়কুমারগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা অসাম রাইফলসকী বেজ অমা অথুবদা থমগদৌরি, মণিপুরদা মথৌ পাঙথোক্লিবা এ.আরগী বত্তাল্লিয়ন অনি জম্মুদা থাজিল্লগনি হায়বগী রিপোর্ট অমা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইনদা ফোংলে।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরদা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা চখরকপা লান ঙসি চহি ১ গা থা ৫ মপুং ফারে, সিফাইনা য়োম্বনিনা এসেমব্লিদদি নোরমেলসি হঞ্জিল্লে, জিরিবামগী লালপানিদদি মীতৈগী য়ুম তুমবা মৈ থারি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা কুকি-মীতৈ ৱারী শাবদা মিজোরমগী সি.এমনা মেদিয়েতর ওইরবা য়ারি হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- এন. বিরেন কুকি জো ফুরুপকী সি.এম নত্তে, ড্রগ মফিয়াগী মকোক থোংবা মীওই লোৎশিন্দুনা থমলে হায়বা ভি.ভি.এফ সদর হিলসকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- পেট্রোল লিতরদা টেক্স লৌরে, ফিভমসি মখা চথরক্লবদি লো এন্দ ওর্দর রিভিউ তৌরকপা য়াই, জিরি লম্বীদা শেল খায়রিবশিং থেংননবা দি.আই.জি অমদা অখন্ননা শিন্নখ্রে হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- আই.দি.পি প্রোটেষ্টরশিংদা চথুখিবা থৌওং কা হেল্লি হায়না এম.পি- বিমোলনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- লেন্দ মাইন অমদি হাইব্রে এক্সটোরসনগী মতাংদা এসেমব্লিদা খন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- আর্মিনা মৈতে অনি লৈমাখোংদগী কল্লকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- কুকি নেসনেল ফ্রন্টকী কম্মান্দর জরমনদা এটেক চথরকখ্রে, মহাক্কী এস্কোর্ট শোক্লে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- পেট্রোল পম্পশিংদা থাউ লৈশিল্লক্ত্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- আসম রাইফলস লৌথোক্লগনি হায়বগী মায়োক্তা কুকি-জো কাংবুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- চুরাচান্দপুর অমদি কাংপোকপীদা লৈরিবা রোংমৈগী সি.এস.ওশিংনা নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তিসভেন তোংজৈ মরীল লম্বীদা বন্দ কৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হমাস লিদর ইসমেল হানিয়া মহাক্কী গেষ্ট হাউসতা ফুম্লম্বা রিমোট কন্ট্রোল বোম্বনা হাৎখিবনি হায়না ফোংলি।

------